## দিল্লিদা হেরোইন কেজি ২.৪গা কোন্না নাইজেরিয়ান ৩ ফারে

**চান্দিগড় এপ্রিল, ০৫(এজেন্সি)ঃ** হরিয়ানা পুলিসনা থাংজ নুমিৎতা দিল্লিদগী নাইজেরিয়ান ৩ ফারে অমসুং মখোয়দগী লুপা ক্রোর কয়াগী ওইগদবা হেরোইন কেজি ২.৪সু ফারে।

ফারবশিং অদুদি দিল্লিদা লৈবা নাইজেরিয়ান নেসনেলশিং –এলোর চুকুদি হেনরি, ইম্ম্যুয়েল অমসুং নিকোলাস চিদেবের পাউলনি।

এলোরদগী হেরোইন গ্রাম ৯৯১, ইম্ম্যুয়েলদগী হেরোইন গ্রাম ৯৮২ অমসং নিকোলাসতগী হেরোইন গ্রাম ৪২৭ ফংখি।

## সি আর পি এফ চীফ, মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিং হোম ক্বারেন্টিন তৌখ্রে

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল, ০৫(এজেন্সি)ঃ** সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সি আর পি এফ)কী মকোক থোংবা মেদিকেল ওফিসার অমা কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইখিবগা লোয়ননা ওফিসিয়েল অমগী খূৎথাংদা মহাক্না নাকোয়ননা শন্নখিবা ফোর্স অসিগী চীফ এ পি মহেশ্বরিনা টেষ্ট তৌনবগীদমক মাগী সেম্পল পীখ্রে অমসুং মশামক য়ুমদা ক্বারেন্টিন তৌখ্রে।

সি আর পি এফকী চীফ মহেশ্বরিদা নত্তনা সি আর পি এফকী সেনিয়ার ওফিসিয়েল কয়ানসু টেষ্ট তৌনবগীদমক সেম্পলশিং পীখ্রে।

হৌজিক সি আর পি এফ ওফিসিয়েল ২০লোম ফাওবা মাঙজৌনবা চেকশিন থৌরাং ওইনা হৌখিবা নুমিৎ কয়ানিদগী হোম ক্বারেন্টিন তৌদুনা লৈরি হায়না সেনিয়ার সি আর পি এফ ওফিসিয়েল অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখ্রে।

লিখুনশিংনা ফোঙদোকপদা কোভিদ–১৯ পোজিটিব ওইখ্রবা চীফ মেদিকেল ওফিসার অদুগা শোক্না–শন্নখিবা সেক্যুরিটি ওফিসিয়েল অমনা হন্দক্তা দাইরেক্টর জেনরেল অদুগা লোয়ননা ছতিসগড়দা চৎখিবনি হায়খি।

কোন্না মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ারসকী এদভাইজর বিজয় কুমারসু য়াওনা ওফিসিয়েল লোয়নমক হোম ক্বারেন্টিন তৌখ্রে।

## দিল্লি মনাক্কী য়ুপি দিষ্ট্রিক্ট মীয়াম পুনবগী অথিংবা এপ্রিল ৩০ ফাওবা শাংদোকখ্রে

**নোইদা, এপ্রিল, ০৫(এজেন্সি)ঃ** কোরোনাভাইরস নাবা মশীং হেনগৎলকপদগী দিল্লিগা নক্নবা উত্তর প্রদেশকী গৌতম বুধ নগর দিষ্ট্রিক্টতা মীয়াম পুনবগী অথিংবা এপ্রিল ৩০ ফাওবা শাংদোকখ্রে।

উত্তর প্রদেশতা কোভিদ–১৯না খ্বাইদগী হেনবা য়ান্না নাবা অমা ওইরিবা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৫৫ নাখিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা নোইদা–গ্রেটর নোইদা হায়রিবা সিটি ফাইবোক অসি মনুংচল্লি।

নোইদাবু সেন্টরনা লৈবাক অসিদা কোভিদ–১৯ হোটস্পোটশিংগী মনুংদা অমনি হায়না খন্দোকখ্রবনি। থা অসিগী লোয়বা ফাওবা অথিংবা থমগদৌরিবা থৌরমশিংগী মনুংদা পোলিটিকেল, কলচরেল, রিলিজিয়স, স্পোর্টসকা মরিলৈনবা থৌরমশিং, রেল্লিশিং, প্রোসেসনশিং পূন্নমক য়াওরি।

## সেন্টরনা কোভিদ–১৯ লাকশিন্নবগী অকনবা থৌরাং অমা লৌখৎখ্রে



**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল, ০৫(এজেন্সি)ঃ** হেল্‌ঠ মিনিষ্ট্রিনা কোভিদ–১৯ পাক চাওনা শন্দোক্লকপা থিংবদগী নান্থোকখিদনবগীদমক বফর জোনশিং অমসুং মফমশিং থা অমরোম সিল্ড তৌশিন্দুনা থম্বা য়াওনা অকনবা লাকশিন্নবগী থৌরাং অমা লৌখৎখ্রে।

ষ্টেট কয়ামরুমদা মফম কয়ামরুম কোভিদ–১৯ হেন্না শন্দোকপা য়াবগী খুদোঙথিনিংঙাই ৱাংনা লৈবদগী গভর্ণমেন্টনা লাক্সিন্নবগী থৌরাং অদু লৌখৎলকখিবনি।

হৌখিবা চহীগী দিসেম্বরদা চিনাদা অহানবা খঙলকখিবা অনৌবা কোরোনাভাইরস অমনা থোকহনবা য়ান্না লৌনগনবা লায়না অদু লাক্সিন্নবগী লাল্লোং অসিদা লায়না অসিনা নাবশিং মতম ঙন্না খঙদোক্তুনা জিওগ্রাফিকেল এরিয়া অমগী মনুংদা লায়না অদু লাক্সিন্নবনি, অতোপ্পা মফমদা লান্সিদুনা শন্দোকপগী চেন অদু থুগাইবনি অমসুং অসুন্না অনৌবা মফমশিংদা মদু শন্দোকখিবা থিংবনি। অদুবু ভাইরস অসি হান্না মীওইবদা নাই হায়বা খঙখিদ্রিবা মখল অমনি।

হেল্‌ঠ মিনিষ্ট্রিগী লামাই ২০ পানবা দোকুমেন্ট অদুদা ইকোন–কোনবা কনফার্ম তৌরবা টেষ্ট অদুগী য়ামদ্রবদা চয়োল ৪গী মতুং ফাওবগী মতুং কোভিদ–১৯ নৌনা নাবা লৈত্রবা খক্তদা অকনবা লাক্সিন্নবগী লাল্লোং অদু হন্থহনগনি হায়রি।

গভর্ণমেন্টনা লৌখৎনবা হোৎনরিবা খোঙথাং খরগী মনুংদা লাক্সিনবগী মফমশিং অদু মী চংথোক–চংশিন অমত্তা য়াহন্দনা থিংজিন্দুনা থম্বা য়াওরি। চিংনবা অমসুং কোভিদ–১৯ নারে খঙলবা পূন্নমক হোস্পিটেলাইজ তৌগনি অমসুং কোরোনাভাইরস থেংননবগী দেদিকেটদ হোস্পিটালশিংদা আইসোলেসনদা থমগনি হায়না হেল্‌ঠ মিনিষ্ট্রিগী ৱেবসাইটতা ফংবা দোকুমেন্ট অদুনা হায়রি।

অনাবশিং সেম্পল ২ টেষ্ট তৌবদা কোরোনাভাইরস নেগেটিব ওইরবা খক্তদা হোস্পিটালদগী হলহনখিগনি। অতপ্পা লাইওংশিং লৈবশিং ষ্টদিয়মশিংদা ক্বারেন্টিন তৌগনি। ময়াই ওইরপ্পা লাইওংশিং লৈবা মীওইশিং কোভিদ–১৯গীদমক খন্দোক্লবা হোস্পিটালশিংদা মিং চনগনি। অদুগা শাথিবা লাইহৌশিং লৈবা মীওইশিং অদুবু এদভান্স হোস্পিটালশিংদা থাখিগনি।

পল্লিবা অতোপ্পা খোঙথাং অদুদি লাক্সিনবগী অমসুং বফর জোনশিংদা লৈবা স্কুলশিং, কলেজশিং অমসুং ওফিসশিং থিংজিনগনি। হায়রিবা মফমশিং অদুদদি পব্লিক অমসুং প্রাইভেদ ট্রান্সপোর্ট লৈররোই। সুপ্নগী এসেন্সিয়েল সার্ভিসশিং খক্তমক চথোক–চৎশিন য়াহনগনি।

অচৌবা টেরিটোরিশিংদা কোভিদ–১৯ লাক্সিনবগী অচৌবা চাংয়েংগী খোঙথাংশিং চিনাদা চাংয়েংখ্রে। লাক্সিনবা হায়বসি অতৈ পব্লিক হেল্‌ঠ ইন্টরভেন্সনশিংগা ইফেক্টিব সোসিয়েল দিষ্টেন্সিংগা পুল্লবা মতমদা ওইথোকপা য়াই হায়বসি মেথমেটিকেল মোদেলিং ষ্টদিজশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ক্লিনিকেল এরিয়াশিংদা থবক তৌরিবা ডোক্টরশিং, নর্সশিং অমসুং পেরামেদিকশিং মতম পূন্নমক্তা মরোল ৩ গী সর্জিকেল মাস্ক অমসুং গ্লোবশিং উপকদবনি।


হৌখিবা পুং ২৪দা ইন্দিয়াদা কোভিদ–১৯না মীওই ৪৭২ নাদুনা পূন্না নাবা মশীং ৩,৫৮৮ য়ৌরে অমসুং মীওই ৯৯ শিখ্রে।

## জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী কুপাৱারাদা ইন্দিয়াগী ঙমখৈ ঙাকপা লান্মী ৩ শিখ্রে টেরোরিষ্ট ৫ হাৎখ্রে

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল, ০৫(এজেন্সি)ঃ** অৱাং কাশ্মিরগী কেরান সেক্টরদা মতিকচানা খূৎলাই পায়বা নারোন্দা চংশিল্লকপা খূৎপু অমা আর্মিনা থৎপদগী লাইন ওফ কন্ট্রোল মনাক্তা খূৎ থোক্নরকপদা লান্মী ৩ শিখ্রে অমসুং টেরোরিষ্ট ৫ হাৎখ্রে।

মসি হৌখিবা পুং ২৪দা ২শুবা খূৎথোক্লবনি। ঙরাংসু খা কাশ্মিরগী কুলগাম দিষ্ট্রিক্টতা খূৎ থোক্লবদা মফমদুগী টেরোরিষ্ট ৪ হাৎখি।

কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টকী কেরান সেক্টরদা ট্রুপশিংনা নারোনদা চংশিল্লকপা খূৎপু অমা থৎপদগী খূৎ থোক্নবা হৌরকখি, কন্না নোংমৈ কাপ্নবা হৌরকপদা টেরোরিষ্ট ৫ হাৎখি। হাৎলবা টেরোরিষ্টশিং অদুগী মশাক খঙবা ঙমদ্রি। লাইবক থীবনা শোকপদগী লান্মী ২ শিখি, অতৈনো হৌজিক লায়েং চথরি। পূন্না লান্মী ৩ শিখ্রে। ওপরেসন অদু মখা তানা



চত্থরি হায়না দিফেন্সকী ৱাঙাংলোই কর্নেল রাজেশ কালিয়ানা হায়খি।

হৌখিবা পুং ২৪দা নোর্থ কাশ্মিরদা কুপাৱারা বোর্দরদা অমসুং খা কাশ্মিরগী কুলগাম দিষ্ট্রিক্টতা ঐখোয়গী ট্রুপশিংনা টেরোরিষ্ট ৯ হাৎখ্রে।

নোর্থ কাশ্মিরগী কেরান সেক্টরদা লোন্না চংশিল্লকপগী মায়োক্তা চত্থবা ওপরেসন অদুদা ট্রুপশিংনা লাইন ওফ কন্ট্রোল লান্সিল্লক্লবা হোৎনবা টেরোরিষ্ট ৫ হাৎখ্রে। মসিদ নত্তনা খা কাশ্মিরগী কুলগাম দিষ্ট্রিক্টতা টেররগী মায়োক্তা চত্থবা তোঙানবা ওপরেসন অমদা হিজবুল টেরোরিষ্ট ৪শু হাৎখি হায়না পুলিসনা ট্বিট তৌখি।

## দিল্লি নিজামউদ্দিন মীফম শরুক য়াখিবা সাউথ আফ্রিকান মুস্লিম ক্লেরিক কোরোনাভাইরস নাবদগী শিখ্রে

**জোহান্নেসবর্গ, এপ্রিল, ০৫(এজেন্সি)ঃ** মহাক্কী ইমুং–মনুংশিংগী মতুং ইন্না দিল্লিগী নিজামউদ্দিনদা লাইনিংগী মীফম য়াওখিবা অমসুং ইন্দিয়াদগী হন্দক হনখিবা সাউথ অফ্রিকান মুস্লিম ক্লেরিক অমা অনৌবা কোরোনাভাইরস নাবদগী শিখ্রে হায়রি।

মশাগী চহী ৮০ শুরবা মৌলানা য়ুসুফ তুতলানা দিল্লিগী নিজামউদ্দিন এরিয়াদা মার্চ ১–১৫ দা টাব্লিঘি জামাত মীফমদা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা ইন্দিয়াদগী অমসুং মপান লৈবাক্তগী মীওই লিশিং কয়ানা শরুক য়াখিবদগী কোরোনাভাইরস শন্দোক্লবগী ইপিসেন্টর ওইরকখ্রবনি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শিখিবা আফ্রিকান মুস্লিম ক্লেরিক অদুগী



হকচাং অদু ইস্লামিক বুরিয়েল কাউন্সিল (আই বি সি)না খাউ অমগী মনুংদা হাপ্লবা তুংদা লৈরোন চনখ্রে।

দিল্লিগী নিজামউদ্দিন হায়রিবা মফম অসি ১৪শুবা চহী চাগী সুফি খৱাজা নিজামউদ্দিন আউলিয়াগী শ্রাইন অদু লৈবগীদমক মমিং চৎলি। অচৌবা লাইনিংগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিং অদুগীদমক ইন্দিয়ান ওথোরিটিজনা লৈবাক শিন–থুংনা থিবা হৌখ্রে। মীফম অদুদা য়াওখিবা মীওই লিশিং কয়া অদুনা লাইচৎ অদু লৈবাক অসিগী কাচিন–কোয়া থুংনা পুখিরম্বা য়াই।

দিল্লিদা টাব্লিঘ থৌরমশিংদুগীদমক তোঙান–তোঙানবা মখলগী মীওইশিং, মরুওইনা ইন্দোনেসিয়া, মলেসিয়া, থাইলেন্দ, নেপাল, ম্যান্মার, বংলাদেশ, শ্রীলঙ্কা অমসুং কিরজিষ্টানদগী লাক্লখি।

ক্লেরিক অদুগী ইমুং–মনুং অদুনা মশামক্কী মমিং ফোঙদোক্তুনা মফম অদুগী মেদিয়াদা তুতলাননা ইন্দিয়াদগী হল্লকখিবদা লাইহৌমানবা লাইওংশিং উৎপা হৌরকখি হায়খি। প্রাইভেট ফেসিলিটি অদুদা টেষ্টশিং তৌবদা মহাক ভাইরস অদু লৈরে খঙখি।

হৌখিবা চয়োল লোইবা নুমিৎতদি তুতলা মাগী লায়েং অদুদগী চপ চানা মপুং ফানা ফখ্রে, অদুবু নিংথৌকাবগী অয়ুক্তদি অমুক হন্না মশাদা অনাবা হেঞ্জিল্লকখি। মহাক্কী ফিভম থুনা শোকচিনখি হায়না ইমুংগী মীওই অদুনা হায়খি।

## কোভিদ–১৯ ঃ য়ু কেদা নোংমদা ৭০৮ শিখ্রে, নাবগী চাংদা ইটালিদগী স্পেননা হেনখ্রে



**লন্দন, এপ্রিল, ০৫(এজেন্সি)ঃ** বৃটিনদা কোভিদ–১৯না নারবা মশীং চাওরক্না ৪২,০০০ য়ৌখিবগা নোংমগী মনুংদা লাইচৎ অসিদগী খ্বাইদগী মশীং য়ান্না শিবা ওইনা ঙরাং থাংজ নুমিৎ খক্তদা কোভিদ–১৯ নাবদগী মীওই ৭০৮ শিখ্রে।

ইরাইগী জি এম টি ১,৬০০ ফাওবগী ওইনা ভাইরস অদু পোজিটিব ওইরবা হোস্পিটালদা লৈবা অনবা ৪,৩১৩ শিখ্রে। অনাবগী মশীংনা ৩,৭৩৫ হেনগৎতুনা থাংজ নুমিৎতা ৪১,৯০৩ শুখ্রে।

চয়োল অসিদা নোংমদা মীওই ৫০০–৫০০দগী হেন্না শিদুনা অশিবগী মশীং অসি অসুম অসুম হেনগৎলক্লি। মথংগী চয়োলদগী নুমিৎ ১০নি ফাওবগী মনুংদা কোভিদ–১৯গী লাক্লবা য়ারিবা অরোইবা য়ক লাওবা অদু লৈবাক অসিনা মায়োক্লনবা থৌরাং তৌরি।

লাইচৎ অসিগী লাইওং খরা পোক্লকপদগী মশা মতোমতা আইসোলেসনদা লৈরবা প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা শন্দেরকপা ককথৎনবা মার্চ ২৩দা লৈবাক অসি চয়োল অমা লোকদাউন তৌনবা ওর্দর তৌখি।

নাকন অমরোমদা স্পেনগী কোভিদ–১৯ নাবগী মশীংনা ইটালিদগী হেনখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর পেদ্রো সানচেজনা এপ্রিল ২৫ ফাওবা চয়োল অনী লোকদাউন শাংদোক্লবা থৌরাং তৌরি।

কোরোনা নাবগী মশীং হৌখিবা পুং ২৪দা ৭,০২৬ হেনগৎতুনা পুন্না ১,২৪,৭৩৬ হেনখ্রে। অশিবগী চাংসু ৮০৯ হেনগৎতুনা অশিবগী মশীং পুন্না ১১,৭৪৪ য়ৌখ্রে। হৌজিক স্পেনদা কোভিদ–১৯না নাবগী মশীংনা ইটালিদগী ১,২৪,৬৩২দগী হেনখ্রে। ইটালি অমসুং স্পেননা হৌজিক য়ুরোপকী কোভিদ–১৯গী মরুওইবা ইপিসেন্টর ২ অদু ওইরে।

ইটালিদা মেদিকেল পার্সোনেল ১১০০ হেন্না লাইচৎ অসি নাখ্রে অমসুং ডোক্টর ৭৩ রোম শিখ্রে। লাইচৎ অসিদগী পুন্না মীওই ১৫,৩৬২ শিখ্রে। মসি মালেমগী মনুংদা শিবা খ্বাইদগী য়াম্না মশীং অদুনি।

## কাবুল গুরদ্বারা এটেককী পাকিষ্টানি মাষ্টরমাইন্দ ফাখ্রে

**কাবুল, এপ্রিল, ০৫(এজেন্সি)ঃ** হৌখিবা চয়োলদা মীওই ২৫ হেন্না শিখিবা কাবুলদা লৈবা গুরদ্বারদা চত্থখিবা এটেক অদুগী মাষ্টরমাইন্দ অদুনি হায়বা পাকিষ্টানি নেসনেল অমসুং ইস্লামিক ষ্টেট খোরাসন প্রোভিন্স (আই এস কে পি)গী এমির মালাৱি অবদুলা এলাইজ অস্লাম ফারুকি অফগান সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফাখ্রে।

অস্লাম ফরুকি লাস্কর–ই–টাইবাগী হান্নগী মিলিটেন্ট কমান্দর অমনি। মহাক ফাখিবা অদুনা আই এস কে পিগী পাকিষ্টান কন্নেক্সনশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চংশিলক্লি।

কাবুলদা লৈবা সেক্যুরিটি এনালিষ্ট হুশেন এহসানিনা মসি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগীদমক অচৌবা মায় পাকপা থবক অমনি হায়খি।



আই এস কে পিনা এল ই টি অমসুং হক্কানি নেটৱার্ককা অফবা মরী লৈনৈ হায়না ফারুকিনা ফোঙদোকচখ্রে। মসি অফগানিষ্টানদা এটেক তৌগদবা টারগেটশিং অদু এল ই টিনা খল্লগা হক্কানি নেটৱার্কনা এটেকশিং অদু থবক পাংথোকই অমসুং এটেকতুগী দায়ত্বনা আই এস কে পিনা লৌবা মাল্লি হায়না সেক্যুরিটি এনালিষ্ট অদুনা হায়খি।

ফারুকিনা আই এস কে পিগী মরুওইবা ফেক্সন অনী মনুংদগী অমগী মকোক ওইরি। এল ই টিগা লোয়ননা পাকিষ্টানগী আই এস আইগা লৈনবা মহাক্কী নক্লবা মরী অদুগী মরমনা পাকিষ্টানগী এফ এ টি এ রিজনগী মামোজাই ট্রাইবকী মীওই ওইরিবা ফারুকিনা পাষ্টুননা মরুওইবা ফেক্সন অদুগী মকোক ওইনা থবক তৌই।

মসিনা অফগান টালিবান অমসুং হক্কানিজ য়াওনা অতৈ পাষ্টুন গ্রুপশিংগা হেন্না য়ান্নহল্লি। অফগানিষ্টানগী কুনার প্রোভিন্সতা এল ই টি লিংখৎখিবনি হায়বসি নিংশিংবা য়াই। মফম অসিদা লিখুনশিংনা ফোঙদোকপদা ফারুকি ফাবা অসিনা পাকিষ্টানদা অতৈ কন্নেক্সন কয়ামরুম পুথোকপদা মতেং ওইরগনি হায়রি।

আই এস কে পিগী মহাক্কী ফেক্সন অদুনা ঙমখৈ ৱাংমদগী ফন্দ অমসুং শৌগৎপা ফংই।

২০১৮দসু আই এস কে পিনা চত্থবনি হায়বা অতোপ্পা এটেক অমদা সিখশিংদা পান্দম থল্লকখ্রে।

## মলেসিয়ান ৮ স্পিপসিয়েল ফ্লাইট তোংদ্রিঙৈগী মমাঙদা ফাহৌরে

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল, ০৫(এজেন্সি)ঃ** কোরোনাভাইরস শন্দোকপগী হৌরকফম অমা ওইনা লেপখ্রবা দিল্লিগী নিজামউদ্দিনদা লৈবা টাব্লিঘি জামাত সেন্টরদা পাংথোকপা থৌরমদা শরুক য়াখিবা মালেসিয়ান সিটিজন ৮ দিল্লিগী ইন্দিরা গান্ধী ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্টতা ঙসি স্পিপসিয়েল ফ্লাইট অমা তোংলমদাইগী হেক মমাঙদা ফাহৌরে।

ইন্টরনেসনেল ফ্লাইটশিং পাইহনখিদ্রবসু লৈবাক খরনা লৈবাক অসিদা লমদনদুনা লৈরিবা মখোয়গী নেসনেলশিং লৌথোক্লবা স্পিপসিয়েল ফ্লাইটশিং ওপরেট তৌরি।

টাব্লিঘি জমাত থৌরম অদুদা মীওই ৯,০০০লোম শরুক য়াখি। মীওইশিং অদুগী অয়াম্বনা থৌরমদুগী মতুংদা লৈবাক অসিগী তোঙান–তোঙানবা মফম কয়াদা চাইথোক্লখি। মদুনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা কোরোনাভাইরস নাবা মশীং হেনগৎহনখি।

হৌখিবা থাগী থৌরম অদু য়াওখিবা মালেসিয়ান ৮ অদু দিল্লিগী তোঙান–তোঙানবা মফদা লোৎতুনা লৈখি অমসুং মালিন্দো এয়ার রিলিফ ফ্লাইট অমদা তোংনবা খনখিবনি হায়না লিখুনশিংনা হায়খি।


## আই সি য়ুগী ছো থিবা ফংদবদগী মধ্য প্রদেশতা নুপী অমা শিখ্রে

**উজেইন, এপ্রিল, ০৫(এজেন্সি)ঃ** থম্মোয় শোকপা থৌদোক অমদা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমগী ষ্টাফনা ইন্টেনসিব কেয়ার য়ুনিট অদুগী ছোশিং অদু থিবা ফংদবদগী শ্বর হোনবগী নুংঙাইতবা লায়না লৈবী মধ্য প্রদেশকী উজেনগী অহল ওইরবী নুপী অমা শিখ্রে।

মশাগী হী ৫৫ শুরবী নুপী অদু শ্বর হোনবদা ৱারকপদগী অমসুং ব্লদপ্রেসর ৱাংবদগী শগোলশেলগী নুমিদাংদা উজেইন দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎলকখি। মহাক্কী ফিভম ফৎচিল্লক্তবদগী কোরোনাভাইরস টেষ্টকীদমক সেম্পলশিং লৌরবা তুংদা কোভিদ–১৯ অনাবশিং লায়েংফম ওইরবা মাধব নগরদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা মহাকপু পুনবা ডোক্টরশিংনা লেপখি। অদুম ওইনমক মহাকপু কোন্না হেন্না ফবা ফেসিলিটিশিং লৈ খনবা আর দি গরদি মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিটাল হায়বা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা পুখি।

হোস্পিটাল অদুদা মহাক পুরক্লবা তুংদা মদুগী ইন্টেন্সিব কেয়ার য়ুনিট (আই সি য়ু) অদু ছো লোল্লমখি লোয়ননা মরি লৈনবা ইমপ্লোয়ীশিং লৈরমদে। আই সি য়ুগী ছো অদু থুগাইনবা হন্না–হন্না হোৎনখি অদুবু মতম থেংথখিবদগী অনাবগী ফিভম শোকচিল্লকখি অমসুং শিখি হায়রি

## গুজরাত ফার্ম অমনা নুমিৎ ১০নিদা মমল হোংবা ভেন্টিলেটরশিং শাখ্রে



**অহমেদাবাদ, এপ্রিল, ০৫(এজেন্সি)ঃ** কোরোনাভাইরস থেংননবা মালেম অসিনা মেদিকেল ইক্যুপমেন্টকী অৱাৎপা মায়োক্লরিঙৈ চিরবা তাঞ্জা অসিদা গুজরাতকী রাজকোততা লৈবা কম্পেনি অমনা সুপ্নগী নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা অহোংবা মমলদা ভেন্টিলেটরশিং পুথোকখ্রে অমসুং গুজরাত গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা হোস্পিটালশিংনা হায়রিবা মেচিনশিং অসি ১,০০০ নুমিৎ খরনিগী মনুংদা পীরগনি।

ভেন্টিলেটর অদু অহমেদবাদ সিভিল হোস্পিটালগী মেদিকেল লেবতা চাংয়েংখ্রে অমসুং ইরাইগী নুমিদাংদা অয়াবা পীখ্রে হায়না ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

মফম অদুদা পুথোকপা ভেন্টিলেটর থাংজ নুমিৎতগী আনবশিংগীদমক শিজিন্নরি। মেশিন অদু থবক ফজনা তৌবা য়াই হায়না ওফিসিয়েল অদুনা মখা তাখি।

মালেম অপুম্বা অসিনা মখোন থোক্তবা য়েক্লবা কোরোনাভাইরসকা লান্থেংনরি অমসুং ডোক্টরশিংগীদমক ভেন্টিলেটরশিং, এন ৯৫ মাস্কশিং অমসুং পি পি ই (পর্সোনেল প্রোটেক্টিব ইক্যুপমেন্ট) সুটশিংগুম্বা ইক্যুপমেন্টকী শাথিনা অৱাৎপা মায়োক্লরি হায়না থাংজ নুমিৎতা গুজরাতকী চীফ মিনিষ্টর বিজয় রুপানিনা হায়খি।

মফম অসিদা ঐখোয়গী হৈশিংবশিং অমসুং অচৌবা ইন্দষ্ট্রিশিং লৈরবা অসিদা ঐখোয়না ময়াম অসি শিজিন্ননবা গুজরাত গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ লৌরে। রাজকোত অসি ইঞ্জিনিয়ারিংগী ময়োল অমা ওইনা খন্নে অমসুং রাজকোতকী স্মোল স্কেল ইন্দষ্ট্রিজনা নাসা, ইস্রো, রেলৱেজ অমসং দিফেন্স প্রদকসনশিংগীদমক ইঞ্জিনিয়ারিং পার্টশিং পী হায়না মিষ্টর রুপানিনা হায়খি।

রাজকোততগী ইন্দষ্ট্রিয়েলিষ্ট অমনা সুপ্নগী নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা ভেন্টিলেটরশিং মায় পাক্না শাখ্রে হায়বসি লাওথোকচবদা ঐহাক য়ান্না নুংঙাই। মদু মখোয়না দিজাইন তৌখি, প্রোটোটাইপ অমা শাখি, পার্টশিং খোমজিনখি অমসুং মায় পাক্না ভেন্টিলেটরশিং শাখি। মখোয়গী টেষ্টিংশিং মপুং ফাখ্রে। সার্টিফিকেটিং লোইশিনখ্রে। থাংজ নুমিৎতগী মদু অনাবশিংদা শিজিন্নবা হৌখ্রে হায়না গুজরাতকী চীফ মিনিষ্টর অসিনা পাউমীশিংগী মফমদা ফোঙদোকখ্রে।

## লোকদাউনগী মরমদগী সমুদ্রগী খোঙচৎশিংদা লৈরিবা ইন্দিয়ান ৪০,০০০ রোম মালেমগী অকোয়বদা লমথুংফম খঙদনা লৈরি

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল, ০৫(এজেন্সি)ঃ** মালেমগী অকোয়বদা পোৎ পুবা অমসুং পেসেঞ্জর পুবা জহাজশিংগী মথক্তা ইন্দিয়ান ক্রু ২০ অমসুং পেসেঞ্জর ৪০,০০০ রোম ইন্দিয়াগী তোর্ব্বানশিংদা হল্লক্নবা ঙাইদুনা লৈরি।

কোরোনাভাইরস লাইচৎকী মতাংদগী লৈবাক শিনবা থুংনা চত্থরিবা লোকদাউন হেক লোইখিবগা গভর্ণমেন্টনা মখোয়দা তেংবাংগনি থাজবা পীখ্রে হায়না মেরিটাইম বোদিশিংনা হায়রি।

মালেমগী অকোয়বদা পোৎ পুবা জহাজ ৫০০ রোমগী মথক্তা মীওই ১৫,০০০ রোম তোংলি। অদুগা পোসেঞ্জর পুবা জহাজশিংগী মথক্তনা অতোপ্পা মীওই ২৫,০০০রোম লৈরি।

এন য়ু এস আই, এম য়ু আই অমসুং এম এ এস এস এ গুম্বা মেরিটাইম বোদিশিংনা হিরম অসি




সিপ্পিং মিনিষ্ট্রিদা পুখৎখ্রে অমসুং মিনিষ্ট্রিনসু লোকদাউন লোইরবা মতুংদা মখোয়বু হল্লক্নবগীদমক ওইথোকপা য়াবা তেংবাং পূন্নমক পীগনি থাজবা পীরক্লে হায়না পি টি আইদা ফোঙদোকখি।

মালেমগী অকোয়বদা পোৎ পুবা অমসুং পেসেঞ্জর পুবা জহাজশিংগী মথক্তা চাওরাক্না ইন্দিয়ান ৪০,০০০ রোম লৈ হায়না পারি অমসুং মখোয় অদু মখোয়গী থবক্কী কন্ট্রেকশিং মতম লোইখ্রবনা য়ুমদা হল্লক্নবগী ঙাইরি হায়না মেরিটাইম এসোসিয়েসন ওফ সিপ ওনরস, সিপ মেনেজরস এন্দ এজেন্টস (এম এ এস এস এ)গী সি ই ও কেপ্টেন শিব হলবেনা হায়খি।

হিরম অসি সিপ্পিং মিনিষ্টর মনসুখ লাল মন্দাবিয়াদা পুখৎখ্রে। লোকদাউন হেক লৌথোকখিবগা মখোয়বু য়ুমদা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা পীরকখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

অদুম ওইনমক সমুদ্রগী খোঙচৎ অসিদা চৎলিবশিং অদু টেষ্ট তৌবগী অমসুং ক্বারেন্টিন নৎত্রগা আইসোলেট তৌবগী মথৌ তাগনি হায়না মিনিষ্টরনা হায়খি।

কোভিদ–১৯ পান্দেমিকনা মরম ওইদুনা, সমুদ্রদা লৈরিবা, হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী মপানদা লৈরিবশিং অদুগী অৱাবা, ইন্দিয়া মেরিটাইম ইন্দষ্ট্রিনা মায়োক্নরিবা মখল কয়াগী হিরমশিং খন্ননবা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূৎথাংদা মেরিটাইম বোদিশিং অমসুং পোর্ট সেক্টরদগী অতৈ ষ্টেকহোলদরশিংনা সিপ্পিং মিনিষ্টর মন্দবিয়াগা মীফম অমা পাংথোকখ্রে।

মীফম অদু য়ান্না মহৈ য়ানখি হায়রদুনা এম এ এস এস এগী সি ই ও কেপ্টেন হলবেনা লোকদাউন অসি লোইরবা তুংদা খোঙথাংশিং অদু গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্কনি হায়না মহাক্না থাজে হায়খি।

সিফাররশিং অসিবু এসেন্সিয়েল ৱার্করশিং ওইনা লৌনবা অমসুং পোর্টশিংদা রিলিফ ফেসিলিটিশিং নিংথিজনা পীনবগী মথৌতাবা অমা লৈ হায়না মিনিষ্টরনা য়াখ্রে। মখোয় জহাজশিংগী মথক্তা লৈরিঙৈ অমসুং লাক্লিঙৈগী মনুংদসু মখোয়গী ফনবগী য়েংশিনবীগদবনি হায়না মেরিটাইন য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (এম য়ু আই) জেনরেল সেক্রেটরি অমর সিংহ থাকুরনা হায়খি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-428**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | | | | 4 | 2 | | 1 | |
| | 7 | | 6 | | | 5 | | 3 |
| | 4 | 8 | | | 1 | | 2 | |
| 4 | | 5 | | | 3 | | 6 | |
| 3 | 1 | | 4 | | | | | 5 |
| | 2 | 6 | 1 | | | 4 | | |
| | | | 2 | 1 | | | | 6 |
| | | 4 | | 5 | | 1 | | |
| 1 | | | | | 6 | | | 4 |

**সনা–সুদোকু – ৪২৭ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 8 | 2 | 9 | 7 | 1 | 5 | 4 | 6 |
| 5 | 4 | 1 | 8 | 3 | 6 | 9 | 7 | 2 |
| 7 | 6 | 9 | 2 | 4 | 5 | 8 | 1 | 3 |
| 8 | 2 | 3 | 5 | 9 | 7 | 1 | 6 | 4 |
| 9 | 5 | 4 | 6 | 1 | 2 | 7 | 3 | 8 |
| 6 | 1 | 7 | 4 | 8 | 3 | 2 | 5 | 9 |
| 2 | 3 | 8 | 1 | 5 | 4 | 6 | 9 | 7 |
| 4 | 9 | 5 | 7 | 6 | 8 | 3 | 2 | 1 |
| 1 | 7 | 6 | 3 | 2 | 9 | 4 | 8 | 5 |